ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Monday, March 15, 2021, Imphal



মেক্সিকোদা পাঙথোকপা নুপীগী টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৭১দা লৈরিবী সারা সোরিব্স টোর্মোগী মখূৎতা মায়থীহৌরবী হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ফাইব ওইরমখিবী কানাদাগী য়ুজিন বোকার্দ

কুমজা ১৯৮০দগীনা ১৯৮৭ ফাওবা লম্বা লৈতনা মিদল ৱেট বোক্সিংগী চেম্পিয়ন ওইরম্লবা লোয়ননা মশাগী করিয়রদা বাউট ৬৫ শান্নবদা ৬২ মায় পাক্লগা বাউট ২ দ্রো চৎলগা অমখক মায়থীবা নংখিবা লৈখিদ্রবা মমিং লৈরবা বোক্সর মার্বিন হেগ্লর

ভিরাট কোহলিগী ফজবা রন ৭৩না ইংলেন্দবু ২শুবা টি-২০ মেটচ থোইখ্রে

অহমেদবাদ, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দনা ঙসি অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লৈবাক অনীগী টি-২০ সেরিজকী অনীশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগী আউট ওইদনা রন ৭৩ লৌখিবা ফজরবা মশান্না অদুনা ইংলেন্দবু ৰিকেট ৭তা থোইদুনা মেটচ অমমম্ মান্নদুনা সেরিজ অদু লৈরি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ভিরাট কোহলিনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফীভম শোকখি। অহানবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ওপনর জোস বটলর রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং মালান অমদি জেসন রোইনা ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুবু রন ৬৪ ফাওবা পুখৎপা ঙমখি।

মালান বোল ২৩দা রন ২৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং ওভর ৩ লৈরগা ওপনর জেসন রোই বোল ৩৫দা রন ৪৬ লৌরগা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর ৯১ শুখি। মখা তারকপা বেটসমেনশিংগী মনুংদা জোনি বর্ষ্টো ইয়োন মোর্গান অমসুং বেনষ্টোক মথংশিংনা রন ২০, ২৮ অমসুং ২৪ লৌবা ঙমখি। অপূনবা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৰিকেট ৬ তুরগা ইংলেন্দ রন ১৬৪দা ইন্নিংস লোইশিনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর ৱাশিংটন সুন্দর অমসুং থাকুরনা ৰিকেট ২/২ লৌখি। লোয়ননা ভুবনেশ্বর অমসুং চাহলনা ৰিকেট অমমম্ লৌখি।

মায় পাক্লনবা ইন্দিয়ানা রন ১৬৫ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌননবা হোৎনরকপদা অহানবা ওভরদা ওপনর রাহুল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। অদুবু মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমদি ইশান কিষনননা রন ৯৪গী পার্টনরশিপ শেমদুনা ফজ হনখি। ১০শুবা ওভরদা ইশান কিষন বোল ৩২দা রন ৫৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা রিশব পন্ট বোল ১৩দা রন ২৬ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর ১৩০ লৈখি। ভিরাট কোহলিনা বোল ৪৯দা রন ৭৩ লৌখিবা অমদি স্রিয়াস আয়রনা রন ৮ লৌখিবা অদুনা ১৮শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা রন ১৬৬ শুদুনা ইন্দিয়ানা ৰিকেট ৭তা থোইখি।

নুমীৎ ১০নিগী ওইবা হুয়েন লাংলোন ট্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লাংলোন শীন্দম শঙলেননা শীন্দুনা পাঙথোরকপা নুমীৎ ১০নিগী ওইবা হুয়েন লাংলোন ট্রেনিং কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে হায়না শঙলেন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ও ৱাংঙম্বা মীতৈনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নিংঙোমথোং মেলা লম্পাক খোংমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লাংলোন শীন্দম শঙলেন অসিদা পূন্না শান্নরোয় ১৫০ রোম্না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মখোয়দা শকখঙচেসু ঙসি ট্রেনিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা খূৎশিন্নখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা চৈবী য়েন্দম্লবা দেমো, শাজেল-কাঙলোন, থাঙলোন-তারোন, শরিৎ-শরাক মীয়ামদা উৎখিবগা লোয়ননা হুয়েন লাংলোনগী ওইবা খূৎশু খূৎলায়সু মীয়ামদা উৎখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. ডা. পাওনম গুনিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট ওইখি। মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লাংলোন শীন্দম শঙলেন (এম ঈ ঈ ঐচ য়ু এল এস)গী শীন্তাকপুরেল ওক্রম মংলেম মীতৈনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী বাশিখোং জিল্লা পরিষদ চিরোম যসোবন্ত, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার ডা. লৌরম্বম সুর্জিৎ, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমসুং নিংঙোমথোংজাওগী সী আর সী এল ক্লবকী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম জুগেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

খুমন টর্ফনা ৱিনর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

মার্জিং স্পোর্টিং ক্লব (এম এস সী) হৈঙাং অৱাং লৈকায়না শিন্দুনা পাঙথোরকপা ফর্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ৭ অসাইদ অন্দর ৩৫ কে জি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচকী ৱিনর খুমন টর্ফ খুরাই চাইরেন থোংখোং অমদি রনর্সঅপনা রিয়ল ফুটবোল একাদেমি টোপ শিফাই (আর এফ এ)না ওইখ্রে।

MSC TROPHY 2021
VEL 7-A-SIDE (35kg) FOOTBALL TOURNAM

খুমন টর্ফ খুরাই চাইরেন থোংখোং অমদি আর এফ এ টোপ শিফাইগা ঙসি শান্নখিবা ফাইনল মেটচ অদুদা খুমন টর্ফকী শান্নরোই সাজেস (জর্সি নম্বর ৭)না অনীশুবা হাফকী ৫৩ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা গোল অনী চন্দুনা ফাইনেল মেটচকী স্কোরগী ফীভম খুমন টর্ফ খুরাই চাইরেন থোংখোং ২ অমদি আর এফ এ টোপ শিফাই ০ ওইখি। ফাইনেল মেটচ অদু মিনিট ৩০/৩০ শান্নদুনা পুন্না মিনিট ৬০ শান্নখি।

ফর্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ৭ এ সাইদ অন্দর ৩৫ কে জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু মার্জিং স্পোর্টিং ক্লব (এম এস সী) হৈঙাং অৱাং লৈকায়না শিন্দুনা হৌখিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৫ পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৩১না শরুক য়াখি। ঙসিগী ফাইনেল মেটচকী ৱিনর ওইখিবা টিমদা লুপা ৩০,০০০ অমসুং ট্রোফি খুৎশিন্নখি। লোয়ননা রনর্সঅপ তাখিবা টিমদনা লুপা ২০,০০০ অমদি ট্রোফি অমা মনা ওইনা পিখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন লৈখিবা কে টি ৱাই দি সী কাইরংগী টিমদনা লুপা ১০,০০০গী মনা পীখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লোয়নবি নোংথোংবম ওংবি হিয়াইনুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মনুংদা অপিকপা ষ্টেট অমা ওইরবসু শান্নরোই খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লমদম অমা ওইবা ঙম্বা হায়বসি তশেংনা চাওথোক্লিংঙাইনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমক্না লমদম অসিদগী অমুক্কা হেন্না অফবা শান্নরোই পুথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। চহী নৌরিবা অঙাংদগী হৌনা অফবা শান্নরোই কয়া শেমগৎপা ঙম্লবদি লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মুরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা টুরিজম দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর ৱাইখোম ইবোহল, হৈঙাং জি পিগী প্রধান কে জয়েন্তা, কোন্থা খাবম জি পিগী প্রধান শেঞ্জম জিতেন, এম আই দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনিয়র হিরোম ব্রোজেন, রেদিএন্ট গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী চ্যেরমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর নেপ্রম রোমিও, মাইক্রোফাইনান্স হৈঙাঙগী প্রোপাইটর কোঞ্জেংবম দিলিপ, ঐচ য়ু সী ও হৈঙাঙগী সেক্রেটরি সানৌজম তোন্দাং, এম এস সীগী এদভাইজর থোকচোম ইবোপিশক, এক্স জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম কুমার অমদি এক্স জেনরেল সেক্রেটরি সনশম বহাদুরনচিংবনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পেসিএল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা লৈরিবা অরিবা অমসুং অনৌবা রোৱর খুদিংমক্না কুমজা ২০২১-২২ গী ওইনা মখোয়গী মমিংশিং রেজিষ্টর তৌরনবা মণিপুর রোৱিং এসোসিএসন্না খঙহল্লক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন থোইবানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না অনৌবা রোৱরশিংগী ওইনা রেজিষ্ট্রসন ফি লুপা ৩০০ ওইগনি অদুগা অরিবা রোৱরশিংগী ওইনা লুপা ২০০ ওইগনি।

সব জুনিয়র অমসুং জুনিয়র কেটাগোরিগী ওইনা রেজিষ্ট্রেসন ফি লুপা ১০০ ওইগনি। রেজিষ্ট্রেসন তৌনিংবা রোৱরশিংনা মণিপুর রোৱিং এসোসিয়েসনগী ট্রেজরর টি ঐচ নিত্যায়দা পাউ ফাওরক্নবা চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

সুটিং শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর, মণিপুরনা শীন্দুনা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৮শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন সুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিং ওকপগী থৌরম অমা চীংমৈরোংদা লৈবা আই এস বি টিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী সোসল ৱার্কর এন বোইনা চীফ গেষ্ট, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুরগী চ্যেরমেন চিঙাখম জয়না প্রসিদেন্ট অমদি আই এস এস এফ বিগী জজ ৱাই বিনোদকুমার অমসুং সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা মনা লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু ঐচ আর দি এমনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অল অমিন সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

ভিলেজ কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী) য়াইরিপোক বামোন লৈকাইনা শীন্দুনা য়াইরিপোক বামোন লৈকাই তুরেল মপান প্লেগ্রাউন্দদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২১দগী শান্নবা হৌখিবা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অল অমিন শঙ্গাইয়ুন্ফমনা ৱাই বি আই সী বামোন লৈকাইবু ৩-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

মেটচ অসিগী ঙসি অহানবা হাফকী ১৪শুবা মিনটতা অল অমিনগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি রিয়াসদনা একাউন্ট হাংদোকখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা ৱাই বি আই সীগী জর্সি নম্বর ৯ রিবাশনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অদুবু অল অমিনগী মায়কৈদগী রিয়াসদ অমসুং এম দি আজাসনা ৪৬শুবা অমসুং ৪৭শুবা মিনটতা থংন-থংননা পাঞ্জল ২ চল্লগা মেটচ অদু ৩-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখি।

চেম্পনা ৱাই পি ঐচ য়ু থোইখ্রে

TERAN CRICKET TOURNAMENT
THAB BLIC GRO IMPHA
D BY : M UR VETERA KET AS
MVCA

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

চেম্প খাগেমপল্লিনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙবু রন ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দদা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৮শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা মেটচকী টোস অদু য়ং ফিজিক য়ুনিয়ননা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা চেম্প খাগেমপল্লিগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৩০ লোইদ্রিঙৈ বোল ২ ৱাৎলিঙৈদা ৰিকেট ১০ আউট ওইরগা রন ১৬৮ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী আউট ওইদনা রন ৩২ নরজিৎনা লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মনুংদা রজিব রন ৩২, তরুন রন ২৩ অমসুং গীট রন ২০ পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। য়ং ফিজিক য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মৈরাবা অমসুং গ্যানারঞ্জননা ৰিকেট ৩/৩ লৌখি।

মায় পাক্লনবা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ননা রন ১৬৯ লৌগদবা অদু ওভর ৩০ শান্নবা লোইশিল্লকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন ৩ আউট ওইরগা রন ১৬২ খক লৌখিদুনা মেটচ অদু চেম্প খাগেমপল্লিনা রন ৬তা থোইখি। য়ং ফিজিককী মায়কৈদগী সুর্জিৎনা আউট ওইদনা বোল ৭৯দা রন ৭২ লৌখিবা অদু অরেম্বা তাখি। মায় পাকপা অদুনা চেম্প সেমীফাইনেল য়ৌদুনা থা অসিগী ১৮দা মোদেল ক্লবকা শান্নগনি। অদুগা অহানবা সেমীফাইনেল অদুনা সাইক্লোন অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা থা অসিগী ১৭তা লম্বা তৌনগদৌরি।

১৯শুবা কে এস ঐচ লৈহাও নীংশিং সুপর দিভিজন হৌদোকখ্রে

ককচীং, মার্চ ১৪(ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা ১৯শুবা ক্ষেত্রিময়ুম লৈহাও দেবী নীংশিং সুপর দিভিজন লীগ ২০২১ ঙসিদগী এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা হৌদোকখ্রে।

দি এস এ ককচীংগী মখাদা লৈবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এম এল এ ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিনা অথোইবা মীথুং, য়েংখোম মঙ্গোলজাও, প্রসিদেন্ট দি এস এ, ককচীংনা থৌরম মপু, ডা. টি ঐচ ওজিৎ, প্রসিদেন্ট, রিপ্রজেন্টেটিভস ওফ লোইজ (আর ও এল) ককচীংগী থৌসু পায়রিবা অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী স্পোন্সরসু ওইরবা অমসুং কে এস ঐচ মনিহার (এম পি এস) এদিসনেল এস পি (ওপরেসন) ককচীং অনীনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অখন্নবা মেটচতা জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীং মখা লৈকাইনা সোসল ৰেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরকপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অনীশুবা মেটচতনা ওল ককচীং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএসন (এ কে এস এ) ককচীং খুনৌ অমসুং সনরাইজ দিভলপমেন্ট ক্লব (এস আর দি সী) ককচীং ইরুম মপাল পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাকখ্রবা জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীং মখা লৈকাইগী পাঞ্জলশিং অদু রাজকুমারনা ২৭শুবা মিনটতা, ইথোইবনা ৩৫শুবা মিনটতা অদুগা ভেবেটোনা ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। মেটচ অদুদা মায়থীহৌরবা সোসল ৰেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরক্কী পাঞ্জল ২ অদুনা দয়ানন্দনা ৩৭শুবা মিনটতা অদুগা লম্থোইবনা ৬৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। মেটচ অদুদা রেফরি টি ঐচ দিনেশ্বরনা এস দব্লিয়ু সী কৈরক্কী বিকেন অমসুং জে এ, ককচীংগী য়ুমজাওবু অন-স্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতনা এ কে এস এ ককচীং খুনৌগী পাঞ্জল ২ অদু সুশিলকুমারনা ২৭শুবা মিনটতা অদুগা থৌঙম্বনা ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা এস আর দি সীগী পাঞ্জল ২ অদুনা মালরেংনা ৩শুবা অমসুং ৪৯শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অদুগী সেন্টর রেফরি টি ঐচ অরুনকুমারনা এ কে এস এগী চিংলেম্ববু ৪৮শুবা মিনটতা অদুগা এস আর দি সীগী বোরিশসু অন-স্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা অমসুং ৪শুবা মেটচ থা অসিগী ১৬তা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) ককচীং ৱাইরি অমসুং লাইফম য়ুঠ এসোসিএসন (এল ৱাই এ) ৱাঙু লাইফম অনীনা নুংথিল পুং ১২.১৫দা অদুগা সোসল ৰেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) ৱাইখোং অমসুং য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মন্তক অনীনা নুংথিল পুং ২.১৫দা শান্নরগনি হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
– Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020

9TH POSITION	10TH POSITION	15TH POSITION	19TH POSITION	19TH POSITION	25TH POSITION	25TH POSITION
NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas	CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph	TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph	DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas	MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower	H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas	HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST
Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.

Date	22/03/2021	24/03/21	27/03/21	03/04/21	05/04/21	08/04/21
Sub:	Maths	MIL	S. Sc.	Science	English	Adl. Sub.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3

ꯑꯦꯁ ꯊ꯭ꯔꯤ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ
S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology (one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science (one subject FREE)
DON'T MISS
Day Boarding for NAVODAYA & SAINIK Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON FIRST TWENTY STUDENTS

Class - Timing	
Morning 6am - 9am	Evening 3pm - 7pm

HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM

HL-B/6801/20/2-21/3

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 52

Butz, Jonas (1000) - Schneider, Fynn (1270)
DSOL 12. Liga Gruppe B play.chessbase.com, 2021.02.05

1.e4 e5 2.Nc3 Nf6 3.Nf3 Nc6 4.Bb5 a6
5.Bxc6 dxc6 6.Nxe5 Bd6 7.Nf3 O-O 8.d3 h6
9.O-O Bg4 10.h3 Bh5 11.b3 Bb4 12.Bb2 Nh7
13.a3 Ba5 14.b4 Bb6 15.Qd2 Bxf3 16.gxf3 Qh4
17.Ne2...

QUESTION :

Black wins in 6 moves

Puzzle 51 Ans. :

61...Rb4 **62.**Rc4+The white rook deflects Black's bishop away from protecting the square c2.Bxc4 **63.**Nc2+The white knight forks Black's king and rook.Kc3 **64.**Nxb4 Kxb4 **65.**g4
65.b8=Q+
65...Kc5 **66.**gxh5
66.b8=Q
66...gxh5 **67.**b8=Q